
# জর্নেলিজমদগী এক্টর ওইনা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরক্লিবা ব্রাদ পিট্ট

- নানি


*I phoned my grandparents and my grandfather said 'We saw your movie.' 'Which one?' I said. He shouted 'Betty, what was the name of that movie I didn't like?*
*- Brad Pitt*



মথক্কী ৱাহৈ অসি ব্রাদ পিট্টনা মহাক্না এৱার্দ ফংলকপগী প্রেস ইন্টরভিয়ু অমদা নোক-নোক্তুনা হায়খিবনি। ৱাফম অসি তারিবা মীপূম খুদিংনা ৱা-ৱা লাওনা নোকখি। অদুবু ৱাদতি য়াম্না সেরিয়স ওইনা এক্টর হায়বসিদি মীনা ফজদে, পামদে হায়রবসু, মশা-মশাগী ইমুং-মনুংনা ফজৈ হায়রকপদা পেঞ্জবনি, অদুবু ঐগী গ্রান্দ ফাদরনা হায়রক্লিবা ৱাফমসিদা ঐহাক থোইদোক্না নীংবা কায়বগী মহুত্তা ঐ ইশাবু হন্থনা য়েংজনবগী তাঞ্জা অমা পীরে হায়না খুল্লকপদা অতাবা মীপূম খুদিংমক্না অমুক হন্না খুবাক খুনখি। ফীট ৫গা ইঞ্চি ১১ ৱাংবা, হেক য়েংবদা মশা-মউ নিংথিনা চুং-ফিরাল চানা ফবা, নুপা থোকপা এক্টরশিংগী মনুংদা ব্রাদ পিট্ট হায়বসিসু অমনি। ব্রাদ পিট্টকী মপূং ফাবা মমিংদি William Bradley Pitt হায়বনি। অদুবু মহাক্না ময়ায় থংবা মমিংগী শরুক অমগা অরোইবগা পূনশিল্লগা ব্রাদ পিট্ট হায়বা অসি মশানা থোনজখিবনি। মীং অসি ঙসিদি ফিল্মগী ৱর্ল্ডদা তাদবা লৈরক্ত্রে। তশেংবদি মহাক এদভর্টাইজিংগী আর্ট দিরেক্টর ওইবা পামজরকখি অদুবু তম্বদি University of Misasouri দা জর্নেলিজম তম্লকখি। অদুবু জর্নেলিজমগী অরোইবা চহীদগী হৌনা মহাক টি ভি দ্রামাদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। মানা তমজরুবা জর্নেলিজম অদু কোর্স মপূং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা জর্নেলিজমগী থবক অমত্তা তৌদনা ফিল্মলোমদা মপূং ফানা মায় ওনশিনখ্রে। এক্টর অমা ওইবতা নত্তনা মমিং লৈরবা ফিল্ম প্রদ্যুসর অমা ওইনা ইহান হান্না মহাক্কী ওস্কারগী একাউন্ট হাংবা ঙমখিবসি **12 Years a Slave (2013)** হায়বা ফিল্ম অসিদনি। এক্টর অমা ওইনা অমুক ওস্কার বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর ফংখিবনা **Once Upon a Time in Hollywood (2019)** হায়রিবা অসিদনি। মালেমগী ফিল্ম ৱর্ল্ডদা মমিং থন্বা ঙম্লকখিবা মহাক্কী মাষ্টর রোলশিংদি - ***Thelma & Louise, Fight Club, Mr. & Mrs. Smith*** অমদি ***Moneyball*** হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদনি।

William Bradley Pitt কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১৮দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী ওক্লাহোমা হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী অহলনি। কুমজা ১৯৮৭তগী ফিল্মগী লম্দা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। চহী অসিমক্তদা কেরেক্টর রোল নত্তবা পার্ট মচা-মচা খরদা টেলিভিজন দ্রামাদা এক্ট তৌবা হৌরকখি। **Another World** হায়বা টেলিভিজন ওপেরা অমদা ইহান হানবা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখি। লোস এঞ্জেলিসতা ময়ূম হোংলক্লবা মতুংদগীনি মহাক্না সিষ্টম অমা নাইনা এক্টিং ক্লাস য়াওবা হৌরকখি। মহাক্কী মপূং ফাবা রোল ফংখিবা অমদি মীয়াম্না শক খঙবা হৌরকখিবদি - **Thelma and Louise (1991)** হায়রিবা অসিদগীনি। কুমজা ১৯৯৫দা ক্রাইম থিল্লর ফিল্ম **Seven** হায়বা ফিল্ম অসিদগী মহাক্কী মরমদা critically acclaimed কয়া তৌবা হৌরকখি। মসিদগীনি মহাক্কী এৱার্দ একাউন্ট হাংদুনা তোঙান-তোঙানবা অৱাংবা থাক্কী এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখিবা। মহাক মশানা লীংখৎচখিবা প্লান বি ইন্টরটেনমেন্টকী মখাদা ইহান হান্না প্রদ্যুস তৌখিবা ফিল্মদি **Troy (2004)** হায়বা অসিনি। মসিগা লোয়নন্না - **The Departed (2006), 12 Years a Slave (2013)** অসিমক একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট পিকচর ফংখি। লোয়নন্না **The Tree of Life (2011), Moneyball (2011)** অমদি **The Big Short (2015)** হায়রিবা ফিল্ম অহুম অসিদসু বেষ্ট পিকচরগীদমক একাদেমি নোমিনেসন ফংখি। অমরোমদা মহাক্না কুম্বা ফিল্ম Fight Lub (1999) অসিদদি ব্রাদ অসি মীয়াম্না য়ারবা এক্টর অমা হায়বদু ওইবা ঙমখ্রে। কম্মসিএল ওইনা মায় পাকখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা **Ocean's 11(2001), Troy (2004), Mr. & Mrs. Smith (2005)** অমদি **World War Z (2013)** হায়বা অসিনি। মমিং লৈরবী হোল্লিৱুদ এক্ট্রেস Jennifer Aniston গা লুহোংলবা মতুং চহী ৪গী মতুংদা খায়নখি। মদুগী মতুংদা Angelina Jolie গা অমুক হন্না য়ূম্বানমিন্নরকখি। হৌজিক্তি মখোয় অনীসু খায়নদুনা লৈরে।

ব্রাদ পিট্ট, এক্টর-প্রদ্যুসর অমা ওইবতা নত্তনা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরি অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন চেরিটেবল ফাউন্দেসন লীংখৎতুনা খুন্নাইগী শোত্থরবা অমদি খুদোংথীরবা কয়াদা মতেং পীবগী লম্দসু মাঙজিল থাবা মীশক অমা ওইরি। কুমজা ২০০৪দা য়ু এস প্রসিদেন্সিএল ভোটতা মহাক মশামক্না চোংথোক্তুনা জোন কেরিগী ভোট খোমখি। অমুকসু কুমজা ২০১২দা বরাক ওবামাগী সপোর্ট তৌদুনা কেম্প্যেন কন্না চত্থখি। গ্লোবেল গ্রীন য়ু এস এদা কুমজা ২০০৮দা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ দোনেট তৌখি। কুমজা ২০০৬তা Jolie-Pitt Foundation লীংখৎতুনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮.৫ দোনেট তৌখি। ব্রান্দ পিট্ট প্রদ্যুসর অমা ওইনা য়াম্না চেকশিনবা অমদি ফিল্মগী ষ্টোরি খনবদা য়াম্না চেকশিনবা মীশক অমনি হায়না হায়নৈ। মহাক্না ফিল্ম প্রদ্যুসর ওইরকপা হৌবদগী হৌনা হৌজিক ফাওবসিদা পুথোরক্লিবা ফিল্মশিং অসি বোক্স ওফিসতা হিট ওইবতা নত্তনা ফেষ্টিবেল কয়াদা অখন্নবা মনা মথুম কয়া ফংবা ঙাক্তা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম ৩৪ মহাক্কী বেনর মখাদা পুথোকখ্রে। চৎলিবা কুমজা ২০২০দা ফিল্ম অনী **"Irresistible"** অমদি **"Blonde"** হায়বা অসি পুথোক্নবা পোষ্ট প্রদক্সন ওইনা লৈরি। কোভিদ-১৯গী লৈরিবা অথিংবা কয়া অসিনা করম্বা মতমদা মহাক্কী ফিল্মশিং অসি থিএটরদা য়ৌরক্কদগে হায়বা অদুমদি হায়বা ঙমদ্রি।









## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৫।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;
কালেনগী ১১নি পানবা।

**মেষ :** পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি, মতম মাঙবনা হেল্লি অমদি মতাং চাদনা ইচং থৌবনা কোক শাগনি। লনদি হেনগৎলি, হকচাং নুংঙাইগনি, থৌনা ফবনা থৌ পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা তেবাংবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** লন ফংগনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অদুবু লাইবক ফবদি ৱাৎলি অদুনা খুৎচাওদি থাগনু, চরাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** হকচাং নুংঙাইবা, মরুপ অফবা ফংবা, ঙাঙবা শকপদা মীনা থাগৎপিবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা চাউনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** য়েক্লবা লৈরম্লসু লাকশিনবা ঙমগনি, শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি অমদি অফবা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি। অদুবু শকখঙদবনা মাঙহনবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** হরাওবা নুংঙাইবা, অনৌবা থৌরম পাংবা অমদি মরুপ-মপাংনা থোইনা কান্নবা পীবীবা লৈগনি। অঙম্বগদি মুক্লগনি-নোল্লুক্না চৎপা ফৈ। ঈংথবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অনীংবা থৌদি পাংগনি, অরং-অরাক লৌশিনবসু য়াগনি অমদি পোরম য়াৎথোকপসু য়াগনি। ফিংবা অমদি অশাওবনা নত্রগা য়েৎনবনা মাঙজবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খাংবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** থবক থৌরম অমদি শেল-থুমগী লম্দা য়াম্না কান্নজবা নুমিৎনি। অনৌবা ৱাখল্লোন্না অরিবা থবক পাংবা ফগনি। ফত্তবা খনগনু, হৈশিংবা শাবসু তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীয়ামগা মরী ফনবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাখল তানা লৈমিন্নবা হোৎনৌ নত্রদি কাইননি। পাউসু নুংঙাইতে অদুবু লৈঙাক্কী লম্দা মায় পাক্কনি, শেল ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** অশাওবা ফাথবা, ৱা য়ম্না ঙাঙদবা, হেন্না হোয়া ফদবা অমদি হন্থবা লোয়নদবনা মাঙগদবদগী কনগনি। লৌশিং চাওবা মরুপগী পাউতাক লৌবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎপা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** খুরৌ ইথাং থাংবা, লৌশিং ফুদোকপা ঙমদবা অমদি নঙগী ওইবা মীনফাও তাথীবা মতমনি। অদুবু লাই-গুরুনদি চানবীগনি, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্ব :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি, লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা ওইজবা ফংগনি। মীতোপ্না ইনশিন্দুনা কাইনবা য়াবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা নুমিৎনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মীন :** লাইবক ফগনি, অনৌবা থৌরম পাংবগী মায় পাকপা অমদি নচা ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। নাপল তৌরদি লন মাঙগনি অদুবু মীয়াম্নদি চাল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।





Title: Micky Mouse
By: Julia Sapam
Class: IV Sec: Roll No. 02
School: Vishal Academy, Sapam





Title: Covid Warriors
By: Tomthilnganbi Laishram
Class: K.G Sec: Roll No. 06
School: LAISUKOL




Title: House
By: Chongtham Thomas
Class: I Sec: A Roll No. 36
School: Tolchou Ibeton Memorial Academy

Title: Car
By: Shamom Biken Meitei
Class: V Sec: A Roll No. 12
School: Smart Universal Academy



Title: India Map
By: Tennyson Takhelambam
Class: V Sec: B Roll No. 19
School: Kids' Foundation






Title: Addiction effect
By: Rozalyn Mutum
Class: V Sec: B Roll No. 13
School: Kids' Foundation




Title: A Preety Girl
By: Benilla
Class: V Sec: Roll No. 96
School: Pari Imom Sindam Sang High School


Title: Rose
By: Irabanta
Class: V Sec: B Roll No. 48
School:

Title: A Scenery
By: Nganthoisana
Class: V Sec: A Roll No. 06
School: Smart Universal Academy




Title: Sparrow
By: Raj
Class: V Sec: A Roll No. 21
School: Standard Robarth Higher Sec. School

Title: Apple
By: Sushmita Thokchom
Class: III Sec: A Roll No. 13
School: Smart Universal Academy




Title: Umbrella
By: Venijewella Sapam
Class: II Sec: C Roll No. 23
School: Smart Universal Academy School